**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বিষ্ণুপুর জিলাগী শাইতোন ঙানুকোনদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা বোম এটেক তৌরকপদা নুপী অমা য়াওনা মী অনি শোক্লে।

২) মণিপুরগী ওইল পম্পশিংদা য়োল্লিবা পেট্রোল অমসুং দিজলদা য়াওফম থোকপা মগুনশিং চপ চানা য়াওব্রা হায়বদু য়েংশিনবা হৌখ্রে।

৩) হোল্লিষ্টিক প্রোগ্রেস কার্দ অমদি ষ্টেন্দরদাইজেসন ওফ কেসন পেপর টেমপ্লেটকী মতাংদা নুমিৎ মঙানি চথুগদবা ৱার্কসোপ ঙসিদগী ইম্ফালদা হৌখ্রে।

৪) বঙাইচুনপাউ-খোঙশাং সেক্সনদা পেসেঞ্জর রেল গাড়ি চেনবা হৌনবগী ইন্সপেক্সন ঙসি চথুবা হৌখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতকী সভ্যতা অমসুং কলা সংস্কৃতি খঙহনবদা সোমনাথ মন্দিরনা চাউরবা থৌদাং লৌরি।

------

বোম (এল) ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী শাইতোন ঙানুকোনদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা বোম এটেক তৌরকপদা নুপী অমা য়াওনা মী অনি শোক্লে, য়ুম অমনা খরা অমাং অতা থোক্লে। থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পং ৫ মখায় অদুৱাইদা মী লৈনদবা য়ুম অমদা ফুম্লম্বা বোম অনি মথং মথং পোকখায়রকপদগী থোকখিবনি।

তুংদা খোইশাওনরবা মীয়ামা মফমদুদা চংশিল্লকপদা অমুক্কসু বোম অনি কাপশিল্লকপদগী মী অনি শোকখি। অশোকপশিং অদু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পুখৎলক্লবা মতুংদা ইম্ফালগী হোস্পিতাল অমদা রিফর তৌখ্রে হায়রি।

ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমীনা হায়- বোম পোকখায়খিবা য়ুম অদুগী অকোইবদা থি হুম্বগী থবক চথবদা আই.ই.দি অমা ফংলে। মখা তানা পুলিস অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা থি হুম্বগী থবক চথরি। লমদম অদুগী মীয়ামা মফমদুগী এম.এল.এ, এস.পি অমসুং এ.দি.এমদা ৱাকৎপদগী মীয়ামগী শাফনবা সেক্যুরিতিগী অখন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না থাজবা পীখ্রে হায়রি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী শাইতোন ঙানুকোনদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা বোম এটেক তৌরকপদা নুপী অমা য়াওনা মী অনি শোকখিবা থৌদোক অদুবু বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। দলগী জেনেরেল সেক্রেতরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- থৌদোক অদুদা চেন্নবা মরাল লৈবা মীওইশিং অথুবদা ফাদুনা আইনগী মতুংইন্না চৈরাক পীগদবনি অমসুং মখা তানা অসিগুম্বা থৌদোক অমুক হন্না থোকহন্দনবা মরী লৈনবা অথোরিতিনা হোৎনগদবনি।

ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)নসু বোম পোকখায়হন্দুনা অশোক অপন অমদি অমাং অতা থোকহনখিবগী থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং নত্রগা তেরোরিষ্ট লুপশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎকদবনি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং মতুংদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা ঙাকশেলগী থবক হেন্না কনখৎহন্নবসু লুপ অসিনা তকশিল্লি।

থৌদোক অদুবু মণিপুর লৌমী লুপ, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিকসু য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

ইন্সপেক্সন (এল) ঃ কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন (কেফ এন্দ পি.দি)গী দাইরেক্তর করাম বোনোনা হায়রি- মণিপুরগী ওইল পম্পশিংদা

য়োল্লিবা পেত্রোল অমসুং দিজলদা য়াওফম থোকপা মগুনশিং চপ চানা য়াওব্রা হায়বদু য়েংশিনবা হৌরে।

ঙসিদগী হৌখিবা য়েংশিনবগী থবক অদু হৌদোক্লদুনা শ্রী বোনোনা হায়-য়েংশিনবগী থবক অসি কেফ এন্দ পি.দিগী ও.এস.দি (পি.ও.এল) হাওবম বোবিনা লুচিংবা কেফ এন্দ পি.দি, ৱেথস এন্দ মিজরস দিপার্টমেন্ট মণিপুর, ইন্দিয়ান ওইল কোর্পোরেসন লিমিতেদ (আই.ও.সি.এল), ভারত পেত্রোল্লিয়ম কোর্পোরেসন লিমিতেদ (বি.পি.সি.এল), হিন্দুস্তান পেত্রোল্লিয়ম কোর্পোরেসন লিমিতেদ (ঐচ.পি.সি.এল) অমসুং নয়ারা ইনর্জি লিমিতেদকী মীহুৎশিং য়াওবা কাংবু অমনা ঙসিদগী ওইল পম্পশিংদা চত্তুনা য়েংশিনবা হৌরে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবমদা লৈবা এম.এস কংলৈপাক সার্ভিস ষ্টেসনদা চত্তুনা চাংয়েং তৌনবগীদমক ওইল পম্প অদুদগী পেত্রোল অমসুং দিজলগী সেম্পলশিং লৌখৎলে। মহাকা হায়- অসুমা লৌখৎলিবা সেম্পলশিং অসি টেষ্ট তৌবা মতমদা মশাগী লৈফম থোকপা মগুনশিং শুনা লৈরমদবা থেংনরবদি ওইল পম্পশিং অদু থিংজিনবা য়াওনা আইনগী ওইবা মতিক চাবা থবকশিং লৌখৎকনি। মীয়ামদা অশেংবা অফবা, মগুন চপ চানা শুনা য়াওবা পেত্রোল অমদি দিজল ফংহন্নবা সরকারনা লৌখৎলক্লিবা থবক অসিদা মরী লৈনবশিং অমসুং মীয়ামা মতেং পাংবীনবা আপীল তৌরি।

অন্দমান (এল)ঃ পেত্রিওটিক রাইটরস ফোরম মণিপুরগী মীওই ২২ না শাবা মীহুৎ কাংবু অমা অন্দমান এন্দ নিকোবরগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। মীহুৎ কাংবু অসিনা মফম অদুদা মণিপুরদগী লোই থাখিবা অথৌবা ইপা ইপুশিংগী মরমদা থিজিনগনি হায়রি।

কাউন্সিল (এল)ঃ কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুর অমদি পারখ নিউ দিল্লিনা পুন্না খুৎশমদুনা এন.ই.পি ২০২০ গী মখাদা হোল্লিষ্টিক

প্রোগ্রেস কার্দ অমদি ষ্টেন্দরদাইজেসন ওফ ক্বেসন পেপর টেমপ্লেটকী মতাংদা নুমিৎ মঙানি চশ্বগদবা ৱার্কসোপ অমা ঙসিদগী ইম্ফালগী চীংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেদা হৌখ্রে।

থৌরম অদুগী মতাংদা ফোংদোক্লদুনা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরগী চেয়ারমেন তখেল্লম্বম ওজিৎনা হায়- ৱার্কসোপ অসি এন.ই.পি ২০২০ গী গাইদ লাইনশিংগী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী মনুংদা লৈরিবা বোর্দ অমদি কাউন্সিলগী মখাদা লৈবা স্কুলশিংদা হোল্লিষ্টিক প্রোগ্রেস কার্দ তঙাইফদনা চৎনহন্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা ওইনা পাঙথোকপনি। হোল্লিষ্টিক প্রোগ্রেস কার্দ অসিনা ক্লাস ৱানদগী তুয়েলভ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিংগী একাদমিক অমসুং এক্সত্রা কারিকুলর এক্তিভিতিশিংগী রিপোর্ট ইদুনা থমগনি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা পারখকী চীফ একজিক্যুতিভ ওফিসার অমসুং হেদ- প্রোফেসার ইন্দ্রানি ভাদুরি, কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরগী সেক্রেতরি কে.ঐচ. আসিকুমার য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

রেলৱে (এল) ঃ কেন্দ্র সরকারগী সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রালয়গী কম্মিসন ওফ রেলৱে সেফতি, নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্তিয়র সার্কলনা ঙসিদগী জিরিবাম-তুপুল, ইম্ফাল নিউ লাইন প্রোজেক্টকী বঙাইচুনপাউ-খোঙশাং সেক্সনদা রেল গারি চেনবা হৌনবগী ইন্সপেক্সন চখবা হৌখ্রে। পোৎচৈ পুবা অমসুং মী পুবা পেসেঞ্জর গারি চেনবগী ইন্সপেক্সন অসি থা অসিগী ৭ ফাওবা চখগনি। ইন্সপেক্সন অসি সুমিৎ সিংহাল, সি.আর.এস-এন.এফ সর্কল, কোলকতাগী মখাদা চখবনি।

কংগ্রেস (এল) ঃ এ.আই.সি.সিনা লেপখিবা মতুংইন্না এম.জি-নরেগা বচাউ সংগ্রাম থবক্তা ওন্থোকবা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্রনা মীওই ২৬ না শাবা ষ্টেট লেবেল কোওর্দিনেসন কমিতি অমা শেমখ্রে। কমিতি অসিগী

চেয়ারমেন্না এ.আই.সি.সিগী মণিপুর ইনচার্জ সপ্তগিরি শঙ্কর উলাকানা ওইরে। মেম্বরশিংগী মনুংদা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্র, সি.এল.পি লিদর ও. ইবোবী, সি.দব্লিউ.সি মেম্বর গাইখাঙম অমদি লোক সভাগী এম.পি অনি অলফ্রেদ কনঙম অর্থর অমসুং ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনচিংবা য়াওরি।

হোমগার্দ (এল)ঃ মণিপুরগী লৈরিবা অপুনবা হোম গার্দ মশিংগী মনুংদা শুপগী ৬৭০ খক কেন্দ্র সরকারনা শকখঙলম্বনা পার্সোনেলশিংগী টি.এ অমসুং দি.এ মপুং ফানা ফংবা ঙমদ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা কেন্দ্র সরকারগী গৃহ মন্ত্রালয়না রাজ্য অসিদা লৈরিবা অপুনবা হোম গার্দ লিশিং ২ অসি শকখঙবগী অয়াবা পীবীনবা অমদি সেক্যুরিতি রিলেতেদ এক্সপেন্দিচরগী মখাদা কেন্দ্রনা পীথরক্লিবা শেনফম হেনগৎপীনবা মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না মন্ত্রালয়দা অইবা চেরোল অমা থাখ্রে। হোম গার্দশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি খঙহন্নবা মন্ত্রালয়গী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং দিল্লিদা চত্তুনা উননবা থৌরাং তৌরি হায়না এসোসিয়েসনগী প্রদিদেন্ট ৱাই. মঙ্গিনা ফোংদোরক্লি।

এআর (এল)ঃ রাজ্য অসিদা ঙাক শেনবগী থবক হেন্না কনখৎনবা অমসুং কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনবা হেনগৎহন্নবা অসাম রাইফলসনা লেপ্পা লৈতনা থবক পায়খৎলি।

হেদ ক্বাটর আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ঙসিসু সেকমাইজিন খুনৌ ৱার্দ মেম্বর, খুলগী লুচিংবা অমসুং মরুওইবা মীওই কয়াগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। অমরোমদা,অসাম রাইফলসনা পায়খৎপা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা ঙসি চান্দেল জিলাগী মোলচাম ভিলেজদা সোলর লাইট ৮ খিনখ্রে। থৌরম অদুদা খুলগী লুচিংবশিং অমদি অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- সোমনাথ মন্দিরনা চহি লিশিং কয়াদগী লৈরক্লিবা অসিনা ভারতকী সভ্যতাগী লেমজনফম ওইরবা শক্তম অদু মালেমগী মীয়ামদা উৎলি।

খেন্নবা ৱাখল্লোনশিং অমদি হন্না হন্না শিংনরকখিবা কয়া মায়ওং য়াদুনা সোমনাথ মন্দিরনা ঙসি ফাওবা লৈরক্লি। মন্দির অসি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী চাউথোকচনিঙাই ওইবতা নত্তনা তরু তরুবা পুকিং ৱাখলগী হৌরকফমসু ওইরি। মহাকা হায়- সোমনাথকী ৱারী অসি ইচম চম্বা মন্দির অমগী ৱারী খক্তা নত্তে। মসিনা ভারত ইমাগী মপারি মমোম কয়াগী মরৈবাক নুংশিবা অমসুং কলা সংস্কৃতিবু য়োকখৎপগী ৱারীশিং পুদুনা লাক্লি।

সাইন ঃ কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফ্যারস মন্ত্রালয় অমসুং ওইল এন্দ নেচরেল গ্যাস কোর্পোরেসন নিউ দিল্লিগী মরক্তা ঙসি এম.ও.য়ু অমা সহি তৌনখ্রে। কোর্পোরেট, সোসিয়েল রেস্পোন্সিবিলিতিগী মখাদা ওইল এন্দ নেচরেল গ্যাস কোর্পোরেসন্না একলব্যা মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুলশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপা অমসুং কেপাসিতি বিল্ডিংদা শরুক য়ানবগীদমক য়ান্নচে অসি সহি তৌনখিবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা ত্রাইবেল এফ্যারসকী সেক্রেতরি রঞ্জনা চোপ্রানা হায়- ঙসি সহি তৌনখিবা য়ান্নচে অদুদা ও.এন.জি.সিনা ত্রাইবেল মহৈরোইশিংদা মগুন লৈবা শিক্ষা ফংহন্নবগী পান্দমদা লুপা কোতি ২৮ থাদনবা ৱাফম য়াওরি।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্কর ঙসি ফ্রান্সতা থুংখ্রে। পেরিসতা মহাকা ইন্দিয়া-ফ্রান্স টেক্সতাইল এক্সপোজিসন য়েংখি। খোঙচৎ অসিদা ডাঃ জয়শঙ্করনা ফ্রান্সকী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা উন্নগনি। উন্নবা অদুদা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরক্লিবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবা অমসুং মালেমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নগনি।

ডাঃ জয়শঙ্করনা ফ্রেন্স এম্বাসাদরস কনফরেন্সকী ৩১ শুবা ইদিসনদসু ৱা ঙাংগনি। ডাঃ জয়শঙ্করগী অনিসুবা খোঙচৎ ওইনা মহাকা লক্সেমবার্গতসু চৎকনি। মহাকা লৈবাক অদুগী প্রধান মন্ত্রি অমসুং মপান থৌরম মন্ত্রি য়াওনা লুচিংবা কয়াগা উন্নদুনা ৱারী শান্নরক্কনি।

চৌহান ঃ কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না হায়রি- ভিক্সিত ভারত গেরেন্তি ফোর রোজগার এন্দ আজিবিকা মিসন (গ্রামিন)-ভিক্সিত ভারত জি রাম জি এক্ট অসি হান্নগী এম.জি. নরেগা স্কিমবু হেন্না মনুং মপান ফাওনা উহনবা ঙমবা পুরকপনি। ঙসি তামিলনাদুগী ইরোটতা লৌমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- কান্নবা ফংলবা মীওইশিংগীদমক থবক শুবগী মতম নুমিৎ ১২৫ নিদা হেনগৎহল্লে। স্কিম অসিগী মখাদা কান্নবা ফংলবা মীওইশিংগী ফংফম থোকপা শেনফম মতম চানা য়ৌহনগনি হায়নসু মন্ত্রিনা থাজবা পীখি। মন্ত্রিনা হায়- মখোয়গী শেনফম অদু নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা পীরক্ত্রবদি আইনগী মতুংইন্না থবক লৌখৎকনি।

ভিপি ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন্না হায়রি- ওপরেসন শিন্দুরগী মতমদা নেসনেল কেদেট কোর (এন.সি.সি)না শিংথানিঙাই ওইবা থৌদাং য়াখি। নিউ দিল্লিদা ঙসি এন.সি.সি রিপাব্লিক ডে পেরেদ কেম্প ২০২৬ তা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাধাকৃষ্ণন্না ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। ওপরেসন শিন্দুর মায় পাকখিবা অদু পল্লদুনা উপ-রাষ্ট্রপতিনা হায়- ওপরেসন অসিনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ, নীংতম্বা অমসুং মীয়াম্বু ঙাক শেন্নবগী ফিরেপ অদু ময়েক শেংনা উৎলে।

অস্বিনি ঃ কেন্দ্রগী ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- লৈবাক অসিগী ইলেক্ট্রোনিক্সগী পোত্থোক পুথোকপা হান্নদগী শরুক ৬ হেনগৎলে অমসুং হৌখিবা চহি ১১ অসিদা পোত্থোকশিং অসি মপান লমদা থাবগী চাংসু শরুক ৮ হেনগৎলে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী বৈষ্ণোনা হায়- মমাং চহিদা এপ্পলনা আমেরিকাগী দোলর বিল্লিয়ন ৫০ গী মোবাইল ফোনশিং লৌখি। মহাকা হায়- ইলেক্ট্রোনিক্সকী পোত্থোক্তা খুমাং চাওশিনবা অসিনা পোৎলমশিং অসি মপান লমদা য়োনবা পোৎলম মখল অহুমগী মনুংদা য়াওবা ঙমলে।

রাজনাথ ঃ লৈবাক অসিদা ফংবা মচাক মথুমনা, নমুনা পুথোক্কুনা শাবা ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দকী অহানবা পোল্লুসন কন্ট্রোল জহাজ সমুদ্র প্রতাপ ঙসি গোৱাদা ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা কম্মিসন তৌখ্রে। জহাজ অসি সমুদ্রগী লমদা পোল্লুসন লাকশিন্নবা চৎন কাংলোনশিং চৎনহনবা, সমুদ্রগী আইন চৎনহনবা, থি হুন্বা অমসুং মী কনবগী ওপরেসনশিং অমদি লৈবাক অসিগী এক্সক্লুসিভ ইকোনোমিক জোন ঙাক শেন্দুনা থম্বগী মরুওইবা পাম্বৈ অমা ওইনা শিজিন্নগনি।

ক্যুবা ঃ ক্যুবা সরকারনা হায়রি- আমেরিকা লান্মীনা ভেনেজ্যেলাদা ওপরেসন চত্থখিবা অদুদা ক্যুবাগী লান্মী অমসুং পুলিসকী ওফিসার ৩২ শিখি। ওফিসারশিং অদু ভেনেজ্যেলাদা মিসন অমগীদমক লৈবনি। লৈখিদ্রবা ক্যুবাগী ওফিসারশিং অদুবু হকায় খুমবা উৎপা ওইনা ক্যুবা সরকারনা নুমিৎ নিনি অৱাবা ফোংদোক্কনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ওপরেসন অদুদা আমেরিকানা ভেনেজ্যেলাগী রাষ্ট্রপতি নিকোলাস মাদুরো অমসুং মহাক্কী নুপী নার্কো তেরোরিজমগী মরালদা ফারে হায়রি। রাষ্ট্রপতি দোনাল্ড ত্রম্পনা হায়- ওপরেসন অদুদা আমেরিকাগী মাইকৈদা অশি অনা অমত্তা য়াওখিদে। অদুবু অতোপ্পা নাকল অদুদদি চাউনা অমাং অতা থোকখি।

চাইনা ঃ ভেনেজ্যেলাগী রাষ্ট্রপতি নিকোলাস মাদুরোগী মথক্তা লৌখৎলিবা থবক অদুগীদমক চাইনানা আমেরিকাবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। লৈবাক

অমত্তনা কনা অমত্তা তান্নদনা অকন অরিং শিংবা য়ারোই অমসুং লৈবাক অমনা মালেমগী পুলিসমেন ওইনা নত্রগা জজ ওইনা থবক তৌবা য়ারোই হায়না চাইনানা চেকশিনৱা ফোংদোকখ্রে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট ঃ মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ব্লু হোক খুরাং লমলোং অমদি রুল মৈত্রম মায় পাকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাংদা লৈবা খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদা ব্লু হোক খুরাই লমলোংনা য়ু.সি.সি কাংচুপ রোডপু ৱিকেট ৭ তা থোহখি।

মোদেল হয়ার সেকেন্দরি এন্দ ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা লিগ মেটচ অমদনা- রুল মৈত্রমনা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্ পার্ট টু পেচু লম্পাকপু রন ৯ দা থোইখি।

ত্রোফি অসিগী পোইন্ট টেবলদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা গ্রুপ-এদা পি.টি.সি.সি পাৎশোই পার্ট থ্রিনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা অমদি গ্রুপ-বিগী ওইনা এম.পি.এস.সি মণিপুর সেন্ত্রেল জেলনা পোইন্ট ৮ ফংদুনা অহানবা মফমদা লৈরি।

স্বিমিং ঃ মমাং চহিগী নভেম্বরদা তেলঙ্গনাদা পাঙথোকখিবা ২১ শুবা নেসনেল মাষ্টরস এক্বাটিক চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা মেদল ফংলক্লবশিং তরামা ওকখ্রে। ককচিং মোইরাংথেম লৈকাই সেকমাই নিংথৌ পরেংদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চেম্পিয়নসিপ অসিদা তোঙান তোঙানবা কাংলুপ্তা মেদল লৌরকখ্রবা ভেটরান শান্নরোইশিংদা অচম্বা খুদোল পীদুনা পুকিং থৌগৎখি। লোয়ননা চেম্পিয়নসিপ অদুদা মণিপুর টিমনা সনাগী মেদল ২০, লুপাগী ৯ অমসুং শেঞ্জেংগী ৮ পুন্না মেদল ৩৭ লৌখি।

**ফুটবোল ঃ** হাওরৈবী নোর্দন ষ্টার ক্লব অমদি হাওরৈবী অপুনবা এফ.সিনা পুন্না শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী হাওরৈবীদা চত্থরিবা ৬ শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা লংথবাল এফ.সিনা সনা এফ.সি থৌবালবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অনিসুবা মেটচতা মিলনজোই এফ.সি পুংদোংবমনা খুরাই এফ.সিবু পাঞ্জল ৪- ৩ দা থোইখি। হয়েং শান্নগদবা মেটচশিং রাজ্য অসিগী ওইরিবা ফিভম য়েংলগা য়েথোকখ্রে।

**বিচ ঃ** ২ শুবা খেল্লো ইন্দিয়া বিচ গেমস ঙসিদগী দিউগী ঘোগলা বিচতা হৌখ্রে। গেমস অসিদা শান্নরোই লিশিং ২ হেনবনা তোঙান তোঙানবা মশান্না ৮ দা অথোই অহেন তান্নগনি। থা অসিগী ১০ ফাওবা চত্থগদবা গেমস অসি দদ্রা এন্দ নগর হভেল্লি অমসুং দমন এন্দ দিউ য়ুনিয়ন তেরিতোরিনা শিনদুনা পাঙথোকপনি।

------